# তরুকশুবা ইন্দিয়ান সুপর লীগগী সিজনদা মণিপুরনা খ্বাইদগী শান্নরোই মশীং য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা ষ্টেট ওইখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (এস এন এস)ঃ

লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী সিজনদা খ্বাইদগী অচৌবা ইভেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল)গী হন্দক্তা মপুং ফানা লোইশিনখিবা তরুকশুবা সিজনদা লৈবাক অসিগী লৈরিবা ষ্টেটশিংদগী মণিপুরনা শান্নরোই ২৬ পুথোরক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শান্নরোই পুথোকপা ঙম্বা ষ্টেট ওইখ্রে।

পাউগী লিখুল অমনা হায়, লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১৭ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমদগী অপুনবা ইন্দিয়ান শান্নরোই ১৮০না হন্দক্কী আই এস এলগী সিজন অসিদা শরুক য়াখিবদা মণিপুরনা পুন্না শান্নরোই ২৬ লীগ অসিদা শরুক য়াবা ঙমখি। অদুগা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা শান্নরোই ২৪, পঞ্জাবনা ২২, মিজোরামনা শান্নরোই ২২, মহারাষ্ট্রা ১৮, গৱানা ১৭ পুথোকপা ঙমদুনা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদা শান্নরোই য়াম্না পুথোকপা ঙম্বশিংগী মনুংদা চনখি।

অমদি মণিপুরনা শান্নরোই ২৬ অসিদা গোল কিপ্পর ৩, দিফেন্দর ৮, মিদ ফিল্ডর ১৪ অদুগা ষ্ট্রাক্কর ১ পুথোকপা ঙমখি। লোয়ননা ষ্টেট অসিনা মিদ ফিল্ডর খ্বাইদগী য়াম্না শরুক য়াবা ঙম্বসু ওইখি।

সিজন অসিগী আই এস এলদা পুন্না টিম ১০না শরুক য়াখি। টিমশিং অদুদি এ টি কে, বেঙ্গলুরু এফ সি, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি, চেন্নাইয়িন এফ সি, গৱা এফ সি, হায়দ্রবাদ এফ সি, কেরেলা ব্লাষ্টর, মুম্বাই সিটি এফ সি, ওদিসা এফ সি অমদি জমসেপুর এফ সিনি। সিজন অসিদা এ টি কেনা চেন্নাইয়িন এফ সিবু ফাইনেলদা গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী অহুম্লকশুবা ওইনা মপু ওইখিবনি। অদুগা এফ সি গৱানা লীগ ৱিন্নর ওইদুনা সিলদ ট্রোফি লৌদুনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা এ এফ সি চেম্পিয়ন্সিপ লীগ ক্বালিফাই ওইবা টিম ওইখি।

আই এস এলগী টিমশিং অসিগী মনুংদা এফ সি গৱাদা ইন্দিয়ান শান্নরোই ১৮ য়াওবদা মণিপুরদগী ৪, বেঙ্গলুরু এফ সিদা ইন্দিয়ান ১৮ য়াওবদা মণিপুরদগী ৩, এ টি কেদা ইন্দিয়ান ১৮দা মণিপুরদগী ২, চেন্নাইয়িন এফ সিদা ইন্দিয়ান ১৭ য়াওবদা মণিপুরদগী ৩, মুম্বাই সিটি এফ সিদা ইন্দিয়ান ১৮দা মণিপুরদগী ৩, কেরেলা ব্লাষ্টরদা ইন্দিয়ান ১৮ দা মণিপুরদগী ৪, জমসেপুর এফ সিদা ইন্দিয়ান ১৮দা মণিপুরদগী ১, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিদা ইন্দিয়ান ১৮ দা মণিপুরদগী ৪ অমদি হায়দ্রবাদ এফ সিদা ইন্দিয়ান ১৯ দা মণিপুরদগী ২ শরুক য়াখি।

এদ সি গৱাদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং অদুদি- গোল কিপ্পর মোহম্মদ নৱাজ মহাক মেটচ ২০ শান্নখি। দিফেন্দর কোন্সম চিংলেনসনা মহাক মেটচ ২ শান্নখি। মিদ ফিল্ডর শৈমিনলেন দোংগ্লেন মেটচ ১৪ অদুগা মিদ ফিল্ডর তেলেম জেকিচান্দ মেটচ ১৮ শান্নখি।

বেঙ্গলুরু এফ সিদা শরুক য়াখিবশিং অদুদি- মিদ ফিল্ডর সুরেস ৱাংজম মেটচ ১১ শান্নখি। মিদ ফিল্ডর কুমাম উদান্ত মেটচ ১৯ অদুগা ষ্ট্রাইকর সেম্বোই হাওকিপ মেটচ ১৪ শান্নখি।

এ টি কেদা য়াওখিবা শান্নরোইশিং অদুনা- গোল কিপ্পর দিরজ সিংহ মোইরাংথেম মহাক সিজন অসিদা মেটচ অমখক শান্নবা ফঙখি। অদুবু মমাঙগী সিজনদা কেরেলা ব্লাষ্টরগীদমক মেটচ ১৩ শান্নখি। অদুগা দিফেন্দর সলাম রঞ্জন সিংহনা মেটচ ৪ শান্নখি।

চেন্নাইয়িন এফ সিদা য়াওখিবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিং অদুদি- দিফেন্দর ঙাশেপম তোন্দোনবা মেটচ ৯, মিদ ফিল্ডর কেঐচ থোই মেটচ ১৫ অমদি দিফেন্দর আইমোল চোংগোমপিপা মেটচ ১ শান্নখি।

মুম্বাই সিটি এফ সিদা শান্নখিবশিং অদুনা মিদ ফিল্ডর বিদ্যনন্দ সিংহ নিংথৌজম মেটচ ১০, মিদ ফিল্ডর চন্দম সুরচন্দ্র মেটচ ২ অমদি থৌনাওজম বিপিন সিংহ মেটচ ১৫। কেরেলা ব্লাষ্টরদা য়াওখিবশিং অদুনা মিদ ফিল্ডর ইরোম সেত্যসেন মেটচ ১০, মিদ ফিল্ডর জেক্সন সিংহ থৌনাওজম মেটচ ১৩, দিফেন্দর মোহম্মদ রকিপ মেটচ ১৫ অমদি দিফেন্দর সোরাইসম প্রিতম কুমারনি।

জমসেপুর এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা মণিপুরগী শান্নরোই অদুদি মিদ ফিল্ডর অমরজিৎ সিংহ কিয়াম মেটচ ৮ শান্নখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিদা শান্নখিবশিং অদুদি গোল কিপ্পর সোরাম পোইরৈ মেটচ ২, দিফেন্দর কৈশাম রেগান মেটচ ১৭, মিদ ফিল্ডর ওঙম মিলন মেটচ ১৩ অমদি মিদ ফিল্ডর খুমন্থেম নিঙ্থোইঙানবা মীতৈ মেটচ ১১ নি। হায়দ্রবাদ এফ সিগী শান্নরোই ২ অদুদি দিফেন্দর মোহম্মদ য়াসিফ মেটচ ১৫ অমদি মিদ ফিল্ডর অজে চেত্রি মেটচ ২ শান্নখি।

সিজন অসিগী খক নত্তনা হৌখিবা ইং ২০১৭-১৮ গী সিজনদসু মণিপুরদগী পুন্না শান্নরোই ২২ অদুগা ২০১৮-১৯ দনা শান্নরোই ২৮না শরুক য়াখি। অমরোমদা আই লীগতসু মণিপুরদগী ক্লব ২ শরুক য়ারি। অমদি লীগ অসিগী অতোপ্পা ক্লবশিংদসু মণিপুরগী শান্নরোই কয়া শরুক য়ারিবসিনা ষ্টেট অসি পীক্লিবসু লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী ফেক্টরিনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি।

শান্নরোইশিং অসিনা কৎথোকপগা লোয়ননা চঙশিল্লিবা লম্বী অসিনা হৌজিক্তী মশান্না অসিনা প্রোফেস্নেল কেরিয়র ওইনা চঙশিনবদা মায় পাক্লি অমদি পূম্নমক্কা পূক্নিং থৌগৎতুনা তুংদা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংবুসু মখোয়গুম্মা অফবা লম্বীদা পুশিনবিদুনা মরী লৈনবশিংনা তুং কোয়না চৎনবা য়াবা থৌশিল পায়খৎপা মথৌ তারি।

মণিপুর লৈঙাক্না স্পোর্টসকী পৱার হাউস ওইবগী চপ চাবা ৱাহন্থোক ফঙনবা শেম্লিবা পোলিসি পোগ্রামশিং থবক্তা ওন্থোকহৌবা চুমগনি। মদু নত্তদনা মণিপুরনা লৈবাক অসিগী স্পোর্টসকী পৱার হাউসনি হায়দুনা অচৌবা থৌরমশিংদা শান্নরোইশিং অসিগী হোৎনজমন্না মখৌ পোংনা লাওদুনা অসুমক লৈরগদি অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপগী ফীভমদা লাক্কনি।

# ফিট ইন্দিয়া শৌগৎপা ওইনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়ুমদা থৌরি চোঙনবা হায়খ্রে




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫ (এজেন্সি)ঃ

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ বু থেংননবগীদমক গভর্ণমেন্টনা মশা মশাগী য়ূমদা হৈল্লিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টবু শৌগৎপা ওইনা থৌরি চোঙবিয়ু হায়না য়ুনিয়ন য়ুথ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরন রিজিজুনা ঙসি ট্যুটরগী খূৎথাংদা মীয়ামদা অপিল তৌখ্রে।

মহাক্কী ট্যুটর অদুদা রিজিজুনা থৌরি চোঙবগী ভিদিও থাগৎলদুনা হায়, নুমিৎ ২১ নি লোক দাউন তৌদুনা কোভিদ-১৯ বু লাম্থেংনবা লৌখৎলিবা অসিগী মনুংদা মীয়াম্না ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টবু শৌগৎপা ওইনা থৌরি চোঙবিয়ু অমদি ইশা ফানা লৈনবা হোৎনবিয়ু। থৌরি চোঙবি য়াম্না লাইবা হকচাং শাজেল ওইবগা লোয়ননা নোংমদা মিনিট ২ দগী তাদনা চোঙবিদুনা গভর্ণমেন্ট অসিনা পায়খৎলকপা ফিট ইন্দিয়ান মুভমেন্টবু অমত্তা ওইনা শৌগৎমিন্নসি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই অদুদি লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইবা মীওই ৬০৫ শুখ্রে অদুগা মীওই ১২ গী পূন্সি মাঙখ্রে।

# ওলেম্পিক্স য়ৈথোকখিবনা ইন্দিয়াগী টেবল টেনিসতা হেন্না হোৎনবগী মতম ফঙলে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা টোকিও ওলেম্পিক্স গেমসনা মথং চহী ফাওবা য়ৈথোকখিবদা ইন্দিয়াগী টেবল টেনিস টিমদা হেন্না হোৎনবগী মতম ফঙদুনা অচৌবা খুদোংচাবা অমা ওইগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিমনা হৌখিবা ২০১৮ এসিয়ান গেমসকী মতুংদগী হেদ কোচকী ফমসু হাংদুনা লাক্লি। অদুবু টেবল টেনিস ফেদেরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ফম অদুবু মেনশিন্নবা ইন্দিয়ানা কোচতা হেন্না মীৎয়েং চঙই।

ফেদেরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী এম পিনা হায়, কোচকী ফম অসি হন্দিয়ান অমদা শীন্ননবা থৌরাং তৌরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ট্রেনিংনচিংবা পাঙথোকপা লৈত্রি অদুবু লৈনরিবা ফীভম অসিনা ফগৎলক্কবা মতমদা ইন্দিয়ান কোচ অমা থিদুনা ওলেম্পিক্তা পার্ফোমেন্স ফাজনবা হোৎনগনি হায়খি।

এসিয়ান ক্বালিফাইয়রস মথং থাদা পাঙথোক্কবা শেম শারম্লবসু আই টি টি এফনা এপ্রিলগী অরোয়বা চয়োল ফাওবা য়ৈথোকখ্রবনি।

# সেনিয়ার নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫ (এজেন্সি)ঃ

বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই)গী মখাদা লক্ষনৌদা এপ্রিল ২৭ তগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্নবা শেম শারম্বা ৮৪ শুবা সেনিয়র বেদমিন্টন নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ হৌজিক গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা এপ্রিল ১৪ ফাওবা কোভিদ-১৯ পেন্দামিকবু থিংনবা লৌখৎপা খোঙথাং ওইনা লোক দাউন থমখিবনা য়ৈথোক্লে হায়না ঙসি বি এ আইনা লাওথোকখ্রে।

বি এ আইগী সেক্রেটরী অজয় সিংহনিয়ানা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্টনা লোক দাউন তৌবগী মতম শাংদোকখ্রে মরম অদুনা ঐখোয়না ৮৪ শুবা সেনিয়র নেস্নেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অমদি ৭৫ শুবা ইন্টর ষ্টেট-ইন্টর জর্নেল চেম্পিয়ন্সিপসু য়ৈথোক্লে। চেম্পিন্সিপ অসি য়ৈথোকপদা নুংঙাইতবা পোকই অদুবু মতম অসিদদি দিজিস অসিবু লাম্থেংনবা হায়বসি অহানবা মীৎয়েং থম্লি।

মহাক্না মখা তানা, হৌজিক্কী ওইবা ফীভম অসিনা ফগৎলক্লবদি ঐখোয়না মীফম পাঙথোক্তুনা অমুক চেম্পিয়ন্সিপ অসি পাঙথোক্নবগী মতম লেপকনি হায়রি।

মমাঙ চহী গুৱাহটিদা পাঙথোকখিবা সাইনা নেহৱালনা নুপীগী অদুগা সৌরপ বরমানা মেন্স সেঙ্গল টাইটল লৌখি।

ইন্টরনেস্নেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা টোকিও গেমসপু মথং চহী ফাওবা য়ৈথোকখিবা ৱারেপ অদুবু ইকাই খুম্নবা উৎলদুনা হায়, ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা ওলেম্পিক গেমস অসিগীদমক লৈবাক অসিগী সট্টলরশিংনা চহী কয়াগী মমাঙদগী ট্রেনিং তৌদুনা লাক্লি। অদুবু কোভিদ-১৯গী লায়চৎনা শান্নরোইশিংনা মখা তানা ট্রেনিং তৌবদা অপনবা ওইগদৌরি।

ফীভম অসি লৈরগসু লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা পার্ফোমেন্স মপুং ফানা পীনবা হোৎনরি। বেদমিন্টন ফেদেরেসন ওফ ইন্দিয়ানা হৌজিক পাম্লিবদি শান্নরোই অমসুং সপোর্ট ষ্টাফশিংনা তাল্লক অসিদা মশা মউ ফানা লৈবনা খ্বাইদগী মরু ওই হায়না সিংহনিয়ানা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না আই ও সিনা লৌরকখিবা ওলেম্পিক গেমস য়ৈথোকপগী ৱারেপ অসি তরাম্না ওকই। ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলগা শান্নরোইশিংনা অথুবা মতমদা ট্রেনিং সেসনশিং শরুক য়ানবা হোৎনরি হায়নসু সিংহনিয়ানা মখা তারি।

পনবা য়াই বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯ লায়চৎকা মরী লৈননা মার্চ ২৫ হৌনা বোদি অসিগী ওফিসশিং লোনশিনখি। মখা তানা লোক দাউন লৈবদগী গভর্ণিং বোদি অসিনা এমপ্লোইশিংদা এপ্রিল ১৪ ফাওবা য়ূম য়ূমদগী থবক থৌরমশিং তৌরক্নবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট ৩২ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং লোক দাউন তৌখ্রে। অদুগা পঞ্জাব, মহারাষ্ট্রা অমদি পোন্দিচারিদা কার্ফিয়ু লাওথোকখ্রে।

# কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈরবসু ফিফানা ইন্দিয়াগা তান্নদুনা য়ু-১৯ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্কবা তান্নরি




চেন্নাই, মার্চ ২৫ (এজেন্সি)ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী নভেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর ১৭ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ অসি কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈরগসু হান্না লেপখিবা মতম অসিদা শোয়দনা পাঙথোক্কবগীদমক ফিফানা ইন্দিয়াগা পুন্না থবক তৌমিন্নরি।

ফিফানা এজেন্সি অসিদা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমদি এ আই এফ এফকা পুন্না চৎমিন্নদুনা য়েংশিনবা লেপ্ট্রি। অমদি পব্লিক হেল্থ অমসুং শান্নরোইশিংদা অশোয়-অঙাম থোক্তনবগী পান্দমদা লোকেল ওর্গনাইজরশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপা য়াবগী ফিভম অদু লৈব্রা হায়না য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

টিম ১৬ না লম্বা তৌনগদৌরিবা ৱুমেন'স য়ু-১৭ ৱার্ল্ড কপ অসিদা জপান অমসুং নোর্থ কোরিয়াদি ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখ্রবনি। টিম অনীমক ২০১৯ এ এফ সি য়ু-১৬ ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক ক্বালিফাইদ ওইরকখ্রবনি। ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবদগী অহুমশুবা টিম ওইনা ৱুমেন'স য়ু-১৭ ৱার্ল্ড কপকী ক্বালিফাইদ ওইখ্রে। ৱার্ল্ড কপ অসি নভেম্বর ২ দগী ২১ ফাওবা নাবী মুম্বাই, কোলকাট, অহামদবাদ, বুভনেশ্বর অমদি গুৱাহটিদা শান্নগনি।

# চন্দ্রকান্ট পন্দিট মৈদ্য প্রদেশ ক্রিকেট টিমগী কোচ ওইনা খনখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২৫ (এজেন্সি)ঃ

দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী কাচিং কেরিয়রদা মমিং লৈরবা চন্দ্রকান্ট পন্দিট মেঘলায়া ক্রিকেট টিমগী কোচ ওইখ্রে।

সিজন ৩ বিদরবারগী কোচ ওইদুনা মহাক্কী মখাদা রঞ্জি ট্রোফি অমদি থংনবা সিজন হায়বদি ২০১৭-১৮ অমদি ২০১৮-১৯ সিজনদা ইরানি কপকী মপু ওইবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কোচ অসিনা রঞ্জি ট্রোফিগী মমাঙগী সিজনদা ১৬ শুবা মফম কনকিবা মেদ্য প্রদেশকী কোচ ওইনা অবাশ অলিগী মহুৎ শীনগদৌরি।

পন্দিটনা এজেন্সি অসিদা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্না বিদারবদা লৈরিঙৈ মতমদা টিম অসিবু শেমগৎচখিবা অদুগীদমক ঐহাক্না চাউথোকপা পোকই অমদি শান্নরোইশিংদা তাকখিবা পূম্নমক মখোয়নসু নীংশিংদুনা লৈগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি। পন্দিট হান্না মুম্বাই অমদি কেরেলাগী কোচ ওইরম্বতা নত্তনা মেদ্য প্রদেশকীসু কেপ্টেন ওইখি।

ꯑꯃꯨꯀꯣ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
APOLLO Tutorial Centre
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FORM ISSUE 16/03/2020
FOUNDATION COURSE FOR XI Sc & XII Sc (COHSEM & CBSE)
CLASS STARTS 02/04/2020
SUBJECT :- PHYSICS, CHEMISTRY, BIOLOGY, MATHS & COMPUTER SCIENCE
* UNIT TEST SERIES (Descriptive Type) * ENGLISH TUITION for XII Sc. (COHSEM)
* MEDICAL & ENGINEERING MOCK TEST (Objective Type) (Sunday & Holiday)
Available : Van Service, Hostel for Boys and Girls
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.



সোরুম: ৯০ থাংমৈবন্দ, ওপ্পোজিত এবিসি গোদাউন, দি এম কল্লেজ রোদ, ইম্ফাল (ৱেস্ত), তেল: ৩৮৫২৪১২১৪৭

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com